# মপূং ফানা সোলর পৱার পুথোক্লবগীদমক দোলর ট্রিলিয়ন অমা মথৌ তাই : ইম্মান্যুএল




ন্যু দিল্লি, মার্চ ১১ (এজেন্সি):
কুমজা ২০৩০ ফাওবদা সোলর পৱার টেরাৱাট অমা পুথোক্লবা থৌরাং লৌখৎপদা দোলর ট্রিলিয়ন অমা চঙগনি হায়না ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুএল মেক্রোননা ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা লোয়ননা ইন্টরনেসনল সোলর এলাইন্স (আই এস এ) কী কনফরেন্সতা শরুক য়াখিবা মেক্রোননা হায়খি, মথৌ তাবা সোলর এনর্জিগী চাং য়ৌনা পুথোক্লবা হোৎনবদা শেলগী অৱাৎপা কয়ামরুম লৈরি। গর্ভর্নমেন্ট, প্রাইভেট সেক্টর অমসুং সিভিল সোসাইটিনা খূৎশম্নরবা মতমদা পান্দম ফংবা ঙমগনি। কনাগুম্বা লৈবাক অমত্তা মমিং পনবা তৌদনা মহাক্লা হায়খি, নীংশিংনিঙাই ওইরবা পেরিস ক্লাইমেট এগ্রীমেন্টতগী খোঙফম হন্দোকখিবা লৈবাকশিংনা মরম ওইরগা পান্দম ফংনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরে। কুমজা ২০১৫ গী ডিসেম্বরদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক ২০০ রোম্না সাইন তৌনখিবা পেরিস ক্লাইমেট এগ্রীমেন্টতগী খোঙফম হন্দোক্লগনি হায়না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মালেমদা অইং-অশাগী খল কায়রকপগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না ফোঙদোকখ্রে। মহাক্লা হায়খি, বেদদা য়াওবা পাউতাক মতুং ইন্না নুমিৎপু মালেমগী থৱায়নি হায়না লৌনৈ। অইং-অশা হোংলকপগী থৌওং মায়োক্লনবা বেদদা য়াওবা ৱারোলশিং নৌহৌনা য়েংশিনবা মথৌ তারে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

দিল্লিগী রাষ্ট্রপতি ভবনদা ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুএল মেক্রোন অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কো চেয়রমেন ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেস, এক্সটর্নেল এফ্যের্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজ, ভেনিজুয়েলাগী প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরো অমসুং বাংলাদেশকী প্রসিদেন্ট অব্দুল হমিদনচিংবা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক ৫০ দগী লাকপা লূচিংবশিংনা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মালেমগী লৈবাক খূদিংমক সোলর এনর্জি শীজিন্নবগী তঙাইফদবা ৱাফম ফোঙদোকখি।

# পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিনা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১১ (এজেন্সি):
কুমজা ২০১৬ তা লৈবাক অসিগী ইন্টরনেল সিক্যুরিটিগী ফিভম ফখি হায়বা হোম মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমবু পার্লিয়ামেন্টরি পেনেল অমনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেসকী পি চিদম্বরমনা লূচিংবা পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটি ওন হোম এফ্যের্সনা হায়খি, ইন্টরনেল সিক্যুরিটিগী ফিভম মপূং ওইনা ফখি হায়রিবা কুমজা ২০১৬ তা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়ামরুম থোকখি।

মাওইষ্ট লালহৌবশিংগা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক্তা পুলিস অমদি পেরামিলিটরি পর্সনেল কয়াসু হায়রিবা চহী অদুদা শিখি হায়না কম্মিটিগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি। হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা পার্লিয়ামেন্টতা পীশিনখিবা কম্মিটিগী রিপোর্টনা হায়খি, কুমজা ২০১৬ তা জম্মু এন্দ কাশ্মির অমসুং মাওইষ্ট লালহৌবগী অকনবা মফম ওইরিবা ষ্টেটশিংদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়ামরুম থোকখি। টেররিষ্টশিংনা ঙমখৈ লানশিল্লকপগী থৌদোক ৩৬৪ সু হায়রিবা চহী অদুদা থোকখি।

কুমজা ২০১৫ দদি টেররিষ্টশিংনা ঙমখৈ লানশিল্লকপগী থৌদোক ১২১ থোকখিবনি। সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপদা লৈরিবা অশোয়বশিং পল্লদুনা রিপোর্ট অদুনা হায়খি, মমাঙ চহীদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী পর্সনেল ৮২ নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোকশিংদা শিখি।

হোম মিনিষ্ট্রিনা ঙমখৈ লানশিল্লকপগী থৌওং মপূং ফানা থিংনবা অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা থোক্লিবা লালহৌবগা মরী লৈনবা থৌদোক পূম্নমক মপূং ফানা লাকশিন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিগী রিপোর্টনা মখা তানা ফোঙদোকখি। অমরোমদা, দিল্লি পুলিসনা নুপীশিং ঙাক শেন্নবগী মতাংদা লোঞ্চ তৌখিবা হিমত এপ্পকী চন্নফম লৈত্রে হায়না পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিগী রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি। পূন্না মীওই মিলিয়ন ১৯ লোম লৈবা দিল্লিদা হিমত এপ্প শীজিন্নবা মীওই শুপ্পগী ৩০,৮২১ খক লৈবা মরম্না থৌরাং অসি মায় পাক্লে হায়না লৌবা য়াদে।



# টাইমস ন্যুজ নেটৱার্ককী মকোক রঞ্জন রোই অরোইবা য়াহিপ তানখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ১১ (এজেন্সি):*
*টাইমস ওফ ইন্দিয়াগী নেসনল এদিটোরিএল বোর্দকী মেম্বরসু ওইবা টাইমস ন্যুজ নেটৱার্ক (টি এন এন) কী মকোক রঞ্জন রোই মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা থাংজ নুমিৎতা অরোইবা য়াহিপ তানখ্রে। মশাগী চহী ৫৮ শুখ্রবা মীওই অসি কেন্সর লায়নানা নাবদগী মতম শাংনা লায়কন্নদুনা লৈরকখিবনি।*

*সেন্ট ষ্টিফেন অমদি প্রিন্সটন য়ুনিভর্সিটিদা তম্লকখিবা মীওই অসি পব্লিক এফ্যের্সতা পোষ্ট গ্রেজুয়েট ডিগ্রী লোইশিনখি। পাউমীগী শিনফমদা চঙলক্লবা মতুংদা মহাক্লা প্রেস ট্রষ্ট ওফ ইন্দিয়া (পি টি আই) অমসুং এসোসিএটেদ প্রেসকী থবক তৌরম্মী।*

*এসিয়া অমসুং অফঘানিষ্টানগী পোলিটিক্স অমদি লানগী মরিক চুম্বা পাউদম কয়া পীরম্বা মীওই অসি ন্যু য়োর্কতা থবক তৌরিঙৈ মতমদসু য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মরিক চুম্বা পাউদম কয়া মীয়ামদা পীবা ঙমখি।*

*কুমজা ২০০৪ দা মহাক ইন্দিয়াদা হল্লক্লবা মতুংদা টি এন এনগী মকোক ওইনা থবক চঙখি। শাংলবা চহী ১৪ ফম অসি পায়দুনা মীয়ামদা ঈ-পাউ য়ৌহনবগী থবক তৌরম্লবা মতুংদা কেন্সর লায়নানা নাবদগী অরোইবা য়াহিপ তানখিবনি।*

*টাইমস ওফ ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা চেফোঙ ৬০ হেন্না পুথোকপদা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবা শক্লাইরবা পাউমী অসিনা লৈখিদবদা পাউমীগী শিনফমদা লৈরিবা মীওই কয়ানা অৱাবা ফোঙদোকপগী পাউজেল পীনরকখ্রে। লৈখিদ্রবা পাউমী অসিগী লোয়নবী অমসুং মচানুপা অমা থল্লম্মী।*

*মতম অমদা টাইমস ওফ ইন্দিয়াগী চেফোঙ ১০ খক লৈরম্বদগী ৬০ হেন্না পুথোক্লবা থৌরাং লৌখৎপদা রঞ্জন রোইনা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবগী মতাংদা মহাক্লা থবক তৌমিন্নরম্বা মীওইশিংনা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। টাইমস ওফ ইন্দিয়াদা থবক তৌরম্বা মীওই অমনা এজেন্সিদা হায়খি মদুদি মতম পূন্নমক্তা অৱা-অনা পূন্নমক লোৎশিন্দুনা মথৌদা পূক্নিং চঙবা রঞ্জন রোইনা ইন্দিয়াদা জর্নেলিজম চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌরম্মী। মপুন্সিদা শাওবা হৈতবা মীওই অসিনা লোয়নরম্বা মীপূম খূদিংমক অফবা মরী থম্নদুনা অরৈ-লৈতা তাথোক-তাশিন তৌরম্বগী ৱাফমসু অতোপ্পা পাউমী অমনা ফোঙদোকখি।*



# মদন মোহন মালবিয়াগা নম্মিন্নবা মহাত্মা গান্ধীগী ফোটো দোলর ৪১,৮০৬ তা য়োনখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১১ (এজেন্সি):
মহাত্মা গান্ধী অমসুং মদন মোহন মালবিয়া পূন্না নম্মিন্নবা ফোটো অমা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা দোলর ৪১,৮০৬ তা য়োনখ্রে। এম কে গান্ধী হায়বা মহাত্মা গান্ধীগী খূৎয়েক য়াওবা ফোটোগ্রাফ অদু নিলাম লাউবদা মীওই অমনা দোলর ৪১,৮০৬ তা লৈখিবনি। রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি কুমজা ১৯৩১ গী সেপ্টেম্বরদা ইন্দিয়াগী অনীশুবা রাউন্দ টেবল কনফরেন্স লন্দনদা পাঙথোক্লবা মতুংদা ফোটো অদু নমখিবনি।

ফোটোগী মনিংদা এসোসিএটেদ প্রেস ওফ গ্রেট বৃটেনগী কোপিরাইট ষ্টাম্প নম্বগা লোয়ননা কলেক্টরনা মহাত্মা গান্ধী অমসুং মালবিয়াগী মমিং ইরম্বা থেংনখি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা বেজ তৌবা আর আর ওক্সনগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, কুমজা ১৯৩১ গী ওগষ্ট ৮ দগী ডিসেম্বর ১৯ ফাওবা গান্ধীগী য়েৎ থংবা খুবীদা চৈনাখোল ফাওখিবা মরম্না ফোটোগ্রাফ অদুদা মখূৎ ওইনা শোই তৌখি।

অহানবদা ফোটো অদু দোলর ১০,০০০ দা য়োনবা ঙমগনি হায়না থাজনখি। অদুবু হান্না থাজনরম্বা চাংদগী শরুক ৪ হেল্লগা দোলর ৪১,৮০৬ তা লৈখিবনি। আর আর ওক্সনগী ইগজেক্যুটিভ ভাইস প্রসিদেন্ট বোবি লিভিংষ্টোননা হায়খি, ২০ শুবা চহীচাগী তাংলবা ফোটোগ্রাফ অদু মমল তাংনা লৈখিবদা থোইদোক্লা ঙক্লিংঙাই ওইদে।

পনবা য়াবদি, মহাত্মা গান্ধীনা জিজস খ্রাইষ্টকী মরমদা ইরম্বা চেরোল অমা দোলর ৫০,০০০ দা য়োন্নবা থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রবনি। সবরমতি আশ্রমদা কুমজা ১৯২৬ কী এপ্রিল ৬ তা গান্ধীনা ইরম্বা চিঠি অমদা জিজস খ্রাইষ্ট লৈরম্মী হায়না ময়েক শেংনা ইরম্বা থেংনখি। পেন্সিলভেনিয়াদা বেজ তৌবা রাব কলেক্সননা চহী কয়ামরুম চঙনা খোমজিল্লকখিবা পোৎলমশিংগী মনুংদা মহাত্মা গান্ধীগী চিঠি অদুসু য়াওরম্বা থেংনবদগী দোলর ৫০,০০০ দা য়োন্নবা থৌরাং লৌখৎখিবনি।

রাব কলেক্সনগী প্রিন্সিপাল নাথন রাবনা হায়খি মদুদি মালেমদা ইং-তপ্পা পুরক্লবা হোৎনবদা লাইনিং খূদিংমক্কী মথৌ তাই হায়বা ৱাফমদা চেৎনা থাজবা মহাত্মা গান্ধীনা জিজস খ্রাইষ্ট হিংলম্মী হায়না ময়েক শেংনা ইরম্বা থেংনখি। মহাত্মা গান্ধীনা জিজস খ্রাইষ্টপু মীওইবা খুন্নাইদা অচুম্বা লম্বী তাকপীনবা হোৎনরম্বা ওজা অমনি হায়না লৌই।

অমরোমদা, মহাত্মা গান্ধী হাৎখিবা নাথুরাম গোদসেগী মরমদা দ্রামা অমা উৎখিবগী মতাংদা বদোদরাদা অচৌবা ৱাথোক অমা থোকখ্রে। কোংগ্রেস পার্টিনা দ্রামা অদু থিংজিনগদবনি হায়না ৱাকৎলদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখি। মহাত্মা গান্ধী হাৎখিবা মীওই অমবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবগী থৌওং য়ানিংদে হায়না কোংগ্রেসনা ফোঙদোকখি।

# স্কুলগী করিক্যুলমদা লাইনিং-লাইশোনগী লাইরিক, মোরেল সাইন্স য়াওহনগদবনি : মনেকা গান্ধী



ন্যু দিল্লি, মার্চ ১১ (এজেন্সি):
স্কুলগী করিক্যুলমদা লাইনিং খূদিংমক্কী লাইরিক অমসুং মোরেল সাইন্স য়াওহনগদবনি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর মনেকা গান্ধীনা হ্যুমেন রিছোর্স ডিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিদা ফোঙদোকখ্রে। সেন্ট্রেল এদভাইজরি বোর্দ ওফ এদ্যুকেসন (সী এ বি ঈ) গী ৬৫ শুবা মীফমদা ৱা ঙাঙখিবদা চাইল্ড এন্দ ডিভলপমেন্ট মিনিষ্টর মনেকা গান্ধীগী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়খি, মহৈরোয়শিংদা অখাঙ কনবগী পাউতাক পীবা ওইনা স্কুলগী করিক্যুলমদা তোঙান-তোঙানবা লাইনিং পূম্নমক্কী লাইরিকশিং অমসুং মোরেল সাইন্স য়াওহনবা মথৌ তাই। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ওরিষাগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর বাদ্রি নরায়ন পত্রনা হায়খি মদুদি তুংগী য়ূম্বীনি হায়না লৌনরিবা নহারোলশিং মরৈবাক নীংবগী ৱাখল পোকহনবগা লোয়ননা মীনুংশি খঙহন্নবগীদমক করিক্যুলম শেমদোকপা মথৌ তারে। মিদ দে মীলদা মনা-মশিং খক্তা পীজবগা লোয়ননা ওজাদা সার নৎত্রগা মেদাম কৌবগী মহুৎতা জয় হিন্দ হায়না ওন্থোকপা মথৌ তাই।

পনবা য়াবদি, অঙ্গনৱাদিশিংদা ডাইরেক্ট বেনিফিট ট্রান্সফরগী খুত্থাংদা য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টনা অঙাংশিংদা চীঙ্গাক পীজবগী থৌরাং লৌখৎপা হোৎনরি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর ৱিমেন এন্দ চাইল্ড ৱেলফ্যের মনেকা গান্ধীনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। কে এল ঈ প্রভাকর কোর হোস্পিটালগী পেদিয়াট্রিক ইনটেনসিভ ক্যের য়ুনিট, হ্যুমেন মিল্ক বেঙ্ক অমদি জেনরিক মেদিসিন শোপ শঙ্গাবগী থৌরমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

হোস্পিটালগী মেদিকেল ডিরেক্টর এন এস মহন্ত সেটিসু শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা মহাক্লা হায়খি, অঙ্গনৱাদি সিষ্টেম নৌনা শেমদোকপগা লোয়ননা অঙাংশিংবু তুংগী অফবা য়ূম্বী অমমম ওইহন্নবা থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা মতম লাক্লে। অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিংদা লাইরিক তন্বীবগী মহুৎতা অফবা চীঙ্গাক পীজবগা লোয়ননা অঙাংশিংবু চেং-চোংদুনা শান্নহল্লগা মশা-মউ ফহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি।

# গোৱাদা মীওই ৩৫ মঙ্কি ফিভরনা নাবা থেংনখ্রে

পানাজি, মার্চ ১১ (এজেন্সি):
গোৱাদা মীওই ৩৫ ক্যাসানুর ফোরেষ্ট ডিজিজ (কে এফ ডি) নৎত্রগা মঙ্কি ফিভর পোজিটিভ ওইবা থেংনরে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০১৬ তা নোর্থ গোৱা ডিষ্ট্রিক্টকী সটারি টালুকাদা লায়না অসিনা মরম ওইরগা মীওই অহুম শিখি। কুমজা ২০১৫ দদি মীওই অমা লায়না অসিনা নাবদগী শিখিবনি। চহী অসিগী ওইনা মঙ্কি ফিভরগী পোজিটিভ ওইরবা মীওই ৩৫ মক সটারি টালুকাদা লৈবা ঙাক্তনি হায়না বালপোই কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টরগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবা লায়না অসিনা মরম ওইরগা মী শিবগী রিপোর্ট ফংবা লৈত্রি। হেল্থ ডিপার্টমেন্টনা মঙ্কি ফিভরগী কেস থেংনখ্রবা মতুংদা সটারি টালুকাগী মনুং চন্না লৈবা মফম কয়াদা পাক-শন্না হীদাক কাপথোকপগী থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে। ভাইরসনা থোকহনবা হিমোরেজিক ফিভর অসি য়োংদা লৈবা মহিক মখল অমনা চিকপদগী মীওইবদা শন্দোরকপনি হায়রি।

লাইহৌ কন্না হৌবগা লোয়ননা হকচাংগী মফম পূম্নমক চৈনাখোল ফাওবগী লায়ওং উৎথোরকপা লায়না মখল অসি দেঙ্গি লায়নাগী লায়ওংগা হাইরপ মান্নে। কিদনি, হার্ট অমসুং লিভরগী অনাবা লৈবা মীওইশিংদা লায়না অসি লায়না শন্দোকপা ঙম্মী।

কুমজা ২০১৫ গী ফেব্রুৱারি অমসুং এপ্রিলগী মরক্তা সটালি টালুকাগী পালি খুঙ্গংদা মীওই কয়া লায়না অসিনা নারম্বা থেংনখ্রবনি। হায়রিবা চহী অদুদা মীওই ৩০ কে এফ ডি পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখিবগা লোয়ননা মীওই অমা শিখি। গোৱা গভর্নমেন্টনা বালপোই কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টরদা মনিপাল সেন্টর ফোর ভাইরস রিছর্সকী ভাইরোলোজি য়ুনিট অমা হাংদোকহন্দুনা চিংনবা মীওই-শিংদগী ঈ সেম্পল লৌরগা টেষ্ট তৌবগী থৌওং চৎখি।

কুমজা ২০১৫ গী ডিসেম্বরদগী হৌরগা কুমজা ২০১৬ কী মে ফাওবদা সটারিগী খুঙ্গা ৮০৭ তগী ঈ সেম্পল লৌরগা চাংয়েং তৌবদা মীওই ২৭৭ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখি। হায়রিবা মফম অদুদা লায়না অসিনা মরম ওইরগা মীওই অহুম শিখিবগী রিপোর্ট ফংখি।



# লৌমী ৩৫,০০০ মুম্বাইদা থুংখ্রে, এসেম্ব্লি মনাক্তা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম-শাবা লোইখ্রে

মুম্বাই, মার্চ ১১ (এজেন্সি):
মহারাষ্ট্রগী নাসিক ডিষ্ট্রিক্টতগী লৌমী ৩৫,০০০ না নুমিৎ মঙানি চঙনা শাংলবা কিলোমিটর ১৮০ মখোঙনা চৎতুনা মুম্বাই য়ৌরকখিবগা লোয়ননা লৌমীশিংগী লোন কোকহন্নবগী মতাংদা খোঙজং চঙশিন্নবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। ঙসি অয়ুক মুম্বাই অমদি থানেগী লোন্নবা ঙমখৈদা ঙাইহাক পল্লন্লবা মতুংদা লৌমীশিংনা মুম্বাইগী কে জে সোমায়া গ্রাউন্দ তম্না চঙশিনখি।

খোঙচৎ অদুনা মরম ওইরগা লম্বীদা অচৎ-অওক তৌরিবা মীওইশিংদা খুদোংচাদবা মায়োক্লহনগদবা মরম্না ট্রাফিক পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা মাঙজৌননা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎখি। পামদবা থৌদোক থোরকপা য়াই হায়না চিংনবদগী সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংসু লৌখৎখি। ওল ইন্দিয়া কিষান সভা (এ আই কে এস) না লূচিংবা লৌমীশিংনা হয়েং বিধান সভাদা খোঙজং চঙশিন্দুনা লোন কোকপীনবা ৱাফম তকশিনগদৌরি।

অদিবাসি কয়াসু খোঙজং অসিদা শরুক য়ারকখিবগা লোয়ননা নমদুনা লৌশিনবীখ্রবা মখোয়গী লম হন্দোকহন্নবা লৈঙাক্তা তকশিল্লগনি হায়না অদিবাসি ফুরুপকী লূচিংবশিংনা ফোঙদোকখি। এ আই কে এসকী প্রসিদেন্ট অশোক ধোলেনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, মহারাষ্ট্রগী মিনিষ্টর গিরিস মহাজনগা উনদুনা ৱারী শানরুবদা লৌমীশিংগী ৱাকৎ পূম্নমক চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনাবিজগী মফমদা পুখৎলগনি হায়না থাজবা পীরক্লে।

এ আই কে এসকী জেনরেল সেক্রেটরি অজিৎ নৱালেনা হায়খি মদুদি লৌমীশিংগী লোন মপূং ফানা কোকপীবগা লোয়ননা স্বামিনাথন কম্মিটিগী রিপোর্ট থবক্তা ওন্থোক্ত্রিবা ফাওবা মখা তানা খোঙজং চঙশিনখিগনি। হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা মহারাষ্ট্রগী লৌমী লীশিং কয়ানা নাসিকতগী মুম্বাই তম্না অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎখিবগা লোয়ননা লোন অমসুং ইলেক্ট্রিসিটিগী বিল কোকপীনবা ৱাফম তকশিনখিবনি।

ষ্টেট গভর্নমেন্টকী এগ্রিকলচরেল পোলিসিদা খোইশাওনরবা লৌমীশিংনা হয়েং অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎনবগীদমক থৌরাং তৌবা লোইরে হায়না লৌমী লূপশিংগী মীহুৎ অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি। লৌমীশিংনা তাল্লিবা ডিমান্দশিংগী মনুংদা লৈঙাক্লা লৌবুক নমদুনা লৌশিনবা য়াহন্দবা অমসুং ইলেক্ট্রিসিটি বিল কোকপীবা য়াওরি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লৌমীশিংদা সেন্ট্রেল নাসিক্কী সী বি এস চোকতগী হৌরগা কিলোমিটর ১৮০ শাংনা মুম্বাই-অগ্রা নেসনল হায়ৱেদা লাক্তুনা মহারাষ্ট্র বিধান সভা তম্না চঙশিনবা হৌখ্রবনি। বি জে পিনা লূচিংবা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা লুপা ক্রোর ৩৪,০০০ রোমগী লোন কোকপীনবা ৱাফম লাউথোকখিবা তারবসু মমাঙ চহীগী জুন থাদগী হৌরগা হৌজিক ফাওবদা লৌমী ১,৭৫৩ মশা মথন্তা শিজবা লৈখ্রে হায়না ধোলেনা ফোঙদোকখি।

লৌমীশিংদা অচৌবা নমথাক অমা তৌবীরে হায়না মরাল শীরদুনা মহাক্লা হায়খি, মীখল মমাঙদা বি জে পিনা শকখিবা ৱাশক পূম্নমক হৌজিক ফাওবা থবক্তা মপূং ফানা ওন্থোকপা ঙমদ্রি। উমংগী শরুক পূম্নমক চহী কয়াগী মমাঙদগী মহৈ-মরোং থাবগী থৌরাং লৌখৎতুনা লাক্লিবা লৌমীশিংদা খূৎশিন্নগদবনি অমসুং হন্দক্ত নোংলৈ নুংশিৎ অমসুং লেন তারকপদা মহৈ-মরোং অমাঙ-অতা থোকখিবগীদমক লৌমীশিংদা মপূং ফাবা কম্পেনসেসন পীগদবনি হায়নসু মহাক্লা তকশিনখি।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না মহৌশাগী ওইবা মাঙহন-তাকহনবগী থৌদোকশিংদা হন্দক লৌমী লাখ ২.৯৩ অমসুং মহৈ-মরোং থাবা য়াবা লৌফম চাদা ৮৩ খুদোংথীবা মায়োক্লহল্লে হায়রি। মহারাষ্ট্রগী এগ্রিকলচর মিনিষ্টরনা লৌমীশিংগী তেংবাং পীনবগীদমক সেন্টরদা লুপা ক্রোর ২,৪২৫ পীবীরক্লবা মাঙজৌননা হায়জবা লৈখ্রবনি। কোওপরেসন মিনিষ্টর সুভাস দেসমুখনা হায়খি, মহারাষ্ট্রগী লৌমী লাখ ৭৭.২৯ না লোন কোকপীনবা হায়জরকখিবগী মনুংদা লৌমী লাখ ৫৫ গী ৱাকৎ লৈঙাক্লা থবক্তা ওন্থোকপা লৈখ্রে।

